# স্পিকর পেলোসিনা ভাইস প্রসিদেন্ট পেন্সতা নোটিশ থাদুনা ট্রম্প মফম লৌথোক্ত্রবদি ইম্পিচ তৌরগনি খঙহনখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী স্পিকর নেন্সি পোলোসিনা ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্স অমসুং কেবিনেটতা নোটিশ থাদুনা কন্সটিট্যুসন্না পীরিবা মখোয়গী পৱারশিং শীজিন্নদুনা পুং ২৪ গী মনুংদা ট্রম্প মফম লৌথোক্তবা তারবদি মহাক্না ইম্পিচমেন্টগী প্রোসিদিংস হৌরগনি হায়না খঙহনখ্রে।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প শৌগৎপশিংনা হৌখিবা চয়োলদা কেপিটোলদা থোমজিনখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। পেলোসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী দেমোক্রেটিক পার্টিগী কোংগ্রেসকী কোলিগশিংদা চেরোল অমা ইদুনা ভাইস প্রসিদেন্টদা কন্সটিট্যুসনগী ২৫ শুবা এমেন্দমেন্ট শীজিন্নবা তকশিনবা রিজোল্যুসন অমা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা খন্নরগনি হায়খি।

এমেন্দমেন্ট অদুনা পেন্স অমসুং কেবিনেটকী অয়াম্বা মেম্বরশিংবু ট্রম্প মশাগী পৱারশিং শীজিন্নবা অমসুং মথৌদাং পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়না লাউথোকহন্দুনা মফম লৌথোকপা ঙমহনগদৌরিবনি।

দিমোক্রেসি অমসুং কন্সটিট্যুসনবু খুদোংথিবা মায়োক্লরক্কদবদগী কন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না তৌফম থোকপশিং থুনা তৌগনি। হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট অসি অনীমক্তা অচৌবা থ্রেট অমা ওইরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা হাউসকী মীফম লৈরোইদবনা মেম্বরশিংনা য়েৎত্রবদি রিজোল্যুসন অদু খুদক্তা পাস তৌবা য়াগনি। মদুগী মতুংদা রিজোল্যুসন অদু পাস তৌনবগীদমক্তা দেমোক্রেটশিংনা মেজোরিটি ওইবা হাউসকী মীফম পাঙথোকপা নুমিৎ লৈবাকপোকপা নত্রগা য়ুমশকৈশাদা ভোট লৌনগনি।পেলোসিনা পেন্সতা পুং ২৪ গী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা করিগুম্বা হায়রিবদু তৌদ্রবদি মহাক্না ইম্পিচমেন্টকী প্রোসিদিংসহৌরগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। ট্রম্পকী ওইনা চহী অমা খরা হেনবা মতমগী মনুংদা অনীশুবা ওইগদৌরিবা ইম্পিচমেন্টগী খোঙথাং অদু শোয়ররোই হায়না থাজনরি। মাইক পেন্সনা ট্রম্প লৌথোক্লবগী খোঙথাং লৌখৎপা হৌরে হায়বগী ইঙ্গিৎ উদবদগী ইম্পিচমেন্টগী খোঙথাং অসি শোয়দবা য়াই হায়নরিবনি।

কেবিনেটকী মেম্বর অনী এদ্যুকেসন সেক্রেটরি বেটসি দেভোস অমসুং ট্রান্সপোটেসন সেক্রেটরি এলাইন চাও হৌখিবা চয়োলদা কেবিনেটতগী রিজাইন তৌখি। তৌইগুম্বসুং ট্রম্পনা ওফিস পায়বগী মতম লোইগদবা শুপ্নগী নুমিৎ মাপননিখক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা তেল্লবা মতম অসিদা মহাকপু মফম লৌথোক্লবা সিনেটনা ইম্পিচ তৌবা অমদি মহাকপু কনভিক্ট তৌবা হায়বসি ওইথোক্তবা য়াই।

# হৌথি মুভমেন্ট ফোরেন টেররিষ্ট গ্রুপনি হায়না লাউথোক্লবা য়ু এসনা থৌরাং তৌরি

রিয়াধ, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
য়েমেনগী হৌথি মুভমেন্ট মপানগী টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থৌরাং তৌরি হায়না সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইপ পোম্পিওনা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙথাং অদুনা পিছ টোকতা অকায়বা পীদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস থেংনবগী থবকশিং হেন্না লুশিনহল্লগনি হায়না দিপ্লোমেটশিং অমসুং এইদ গ্রুপশিংনা ৱানরি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা জো বাইদেননা জন্যুৱারী ২০ দা এদমিনিষ্ট্রেসন পাইনবগী ৱাশক লৌনবা শেম শাদুনা লৈরিঙৈদা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা গ্রুপ অসিবু ব্লেক্লিষ্ট তৌনবগী থৌরাং অসি খন্নরকপনি।

থৌরাং অদুগী পাউখুম ওইনা হৌথি লিদর অমনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি মদুদি কুমজা ২০১৫ দগী য়েমেনদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনগা লাল শোক্ল রক্লিবা মুভমেন্ট অসি য়ু এসকী খোঙথাং অদুগা চানবা পাউখুম পীবগী রাইট লৈ।

হৌথিশিং হায়রগসু খঙনবা অন্সর অলাহবু মপানগী টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লাউথোক্লবগী থৌরাং অসি কোংগ্রেসতা দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটনা খঙহল্লগনি হায়না পেম্পিওনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা অন্সর অলাহগী লুচিংবা অহুম অব্দুল মালিক অল-হৌথি, অবদ অল-খালিক বাদর অল-দিন অল-হৌথি অমসুং অব্দুলাহ য়াহয়া অল হাকিমবুসু অখন্নবা গ্লোবেল টেররিষ্টশিংনি হায়না লাউথোক্লবা খন্নরি হায়খি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইরানগা মরী লৈননা অথিংবা থম্বা হেনগৎলকখিবদা মদু লাক্কদৌরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনবু ইরানগা অমুক হন্না এনগেজ তৌনহন্দনবা অমসুং ইন্টরনেস্নেল ন্যুক্লিয়র এগ্রিমেন্টদা অমুক হন্না য়াওহন্দনবা হোৎনরকপগী মওংনি হায়না বাইদেনগী মীচং খরা অমদি মপানগী এনালিষ্টশিংদা খলহনখি।

ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী পোলিসি অমসুং মওং মতৌ অদু টেররিষ্টকীগা মান্নে। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন নত্রগা অতোপ্পা এদমিনিষ্ট্রেসননা ঐখোয়গা মরী লৈননা হায়রকপা তৌরকপা খুদিংমক্তা পাউখুম পীবগী রাইট ঐখোয়দা লৈ হায়না হৌথি ওফিসল মোহম্মদ অলি অল-হৌথিনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়খি।



# ‘দাইভরশিং ব্লেক বোক্সশিংগী মনাক নকশিনখ্রে’



জকার্টা, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
সমুদ্রগী খোঙনুংদা কন্না থি হুল্লিবা ইন্দোনেসিয়ন নেভিগী দাইভরশিং নুমিৎ নীনিগী মমাংদা সমুদ্রদা তাশিনখিবা শ্রীৱিজায়া এয়র জেট অদুগী দেটা রেকোদরশিংগী মনাক নকশিনখ্রে।

পুন্না মীওই ৬২ তোংবা প্লেন অদু জকার্টাগী এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট খরগী মনুংদা সমুদ্রদা যুংনা তাশিন্দুনা কায়খিবনি। থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং লৈরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা ভিক্টিমশিংগী হকচাং লৌখৎপদা ওইনা মিৎয়েং থল্লগনি। বোইং ৭৩৭-৫০০ জেট অদু কেপিটোল জকার্টাদগী কিলোমিটর ৭৪০ রোম লাপ্পা বোর্নিও ঈথৎকী পোন্টিয়ানাক তম্না পাইগদবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট অমদা রাদর স্কৃনদগী মাঙখিবগা লোয়ননা জাভা সিদা তাশিনখিবনি। থৌদোক অসি কুমজা ২০১৮ দা লাইওন এয়রগী বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স অমা সোইকার্নেহাত্তা ইন্টরনেস্নেল এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা জাভা সিদা তাশিন্দুনা কাইখিবা মতুংদা থোকপা ইন্দোনেসিয়াগী অহানবা মরু ওইবা প্লেন কায়বগী থৌদোক্নি।

নেভিগী স্পোক্সমেন ফাজর ত্রি রোহাদিনা ফোঙদোকখিবদা, দাইভরশিং ব্লেক বোক্সশিং তাশিল্লিবা মফম অদুদা নকশিনখ্রে। রেস্ক্যু দাইভর বায়ু ৱার্দোয়োন কোম্পাসনা টিভিদা ফোঙদোকখিবদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অহেনবা হকচাংগী শরুকশিং থেংনখি। ঈশিংদা উবা ঙস্বগী চাং মিটর ৫-৬ নি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, হকচাংগী শরুকশিং শিন্নরিবা পুলিস হস্পিটাল অমনা ভিক্টিমশিংগী মরী মতাশিংগী দি এন এ সেম্পল ৪০ অমদি অতৈ মেদিকেল রেকোর্দশিং লৌরে। মদুনা ভিক্টিমশিং অদুবু খঙদোকপদা মতেং ওইরগনি।

ভিক্টিম থুনা ফংবা ঙম্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়না সার্চ এন্দ রেস্ক্যু ওপরেসনগী দিরেক্টর রাসমান এম এসনা ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না ওপরেসন অদুদা পারস্নেল ২,৬০০ , জহাজ ৫৩ না শরুক য়াবগা লোয়ননা এরিএল সর্ভিলেন্সসু য়াওরি।

# সাউথ কোরিয়ানা ফ্রীজ তৌখিবা এসেটশিং থাদোরক্লবা ইরাননা তকশিনখ্রে

টেহরান, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
সাউথ কোরিয়াদা ফ্রীজ তৌখিবা ইরানগী ফোরেন এক্সচেঞ্জ এসেটশিং থাদোরক্লবা সাউথ কোরিয়াগী ফার্ষ্ট ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর চোই জোং কুনদা ইরানিয়ন দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর অবাস অরাকচিনা তকশিনখ্রে।

ইস্লামিক রেভোল্যুসন গার্দস কোর (আই আর সী জি) না গল্ফতা থা অসিগী মরিদা ফাজিনখিবা সাউথ কোরিয়াগী ওইল টেঙ্কর হানকুক চেসি থুনা থাদোকহন্নবা তকশিন্নবগীদমক ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর কুন নোংমাইজিং নুমিত্তা টেহরানদা থুংখি। সাউথ কোরিয়াগী থাউগী টেঙ্কর ফাজিল্লিবদু ইনভাইরনমেন্টল প্রোটোকোলশিং হঞ্জিন হঞ্জিন্না থুগাইবদগীনি হায়না টেহরাননা ক্লেম তৌখি।

অরাকচিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মীফম অমদা শরুক য়ারদুনা হায়খি মদুদি, হৌজিক চহী অনী মখাইরোম অসিদা সাউথ কোরিয়াগী বেঙ্কশিংনা য়ু এসকী অথিংবশিং কিবদগী লোনা য়াদবা মওংদা ইরানগী ফোরেন এক্সচেঞ্জ এসেটশিং ফ্রীজ তৌশিনখি। সাউথ কোরিয়ানা তৌরিবসি ৱাশিংটনগী নম হাবগী পোলিসিশিংদা কোক নোনবনি হায়বা নত্তনা অতৈ হায়নিঙাই লৈতে হায়না অরাকচিনা মখা তাখি।

# ইথিওপিয়াগী মিলিটরিনা টিগ্রে ফোর্সকী মীওই ১৫ হাৎখ্রে

নাইরোবী, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
টিগ্রে রিজনগী হান্নগী রুলিং পার্টিগী মেম্বর ১৫ হাৎলে অমসুং অতৈ নিপাল ফারে হায়না ইথিওপিয়াগী মিলিটরিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইথিওপিয়াগী নেস্নেল দিফেন্স ফোর্সকী ব্রিগেদিয়র জেনরেল অমগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেটনা চলাইবা ইথিওপিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসননা হায়, ফাখিবশিংদুগী মনুংদা লমদম অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অবে ৱেল্ডসু য়াওরি। মহাক লমদম অদুগী রুলিং পার্টিগী চ্যেরমেনসু ওইরম্মী। হাৎখিবশিংদুগী মনুংদা লমদম অদুগী হান্নগী দেপ্যুটি পুলিস কম্মিস্নর য়াওরি।

প্রোভিন্স অদুবু পাল্লকখিবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কা থা অমরোম লাল শোক্লরক্লবা মতুং লাল অদু মায় পাক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্যর অবে অহম্মদকী গভর্ণমেন্টনা নবেম্বর ২৮ দা লাউথোকখি।

টি পি এল এফকী মীচেল ওইনা লৈরিবা লিদরশিংনা চীংদা লৈদুনা লাল মখা তানা শোক্লখিগনি চেৎনা ফোঙদোকখি। এজেন্সিনা চয়োল কয়া চুপ্না হোৎনরকপদা মখোয়বু কন্তেক্ট তৌবা ঙমখিদে। টি পি এল এফ লিংখৎপদা য়াওবা সেবাট নেগা ফারে হায়না মিলিটরিনা ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখিবা মতুংদা ইনৌ নৌনা হাৎখিবা অমসুং ফাখিবশিং অদু লাউথোরকপনি। টি পি এল এফকী মরু ওইবা মীশক অসি থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদা পুখি।

কুমজা ২০১০ দগী ২০১৮ ফাওবা লমদম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা টি পি এল এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট অবেগী মহুৎ গ্রুপ অসিগী হৌজিক লৈরিবা লিদর দেব্রেটসিওন গেব্রেমাইকেলনা শিনখি। অবেনা কুমজা ২০১২ দগী ২০১৭ ফাওবা পার্টিগী চ্যেরমেন ওইখি। ফম অসিদসু মহাক্কী মহুৎ দেব্রেটসিওননা শিনখি। ষ্টেট টি ভিগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না টিগ্রেগী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অব্রহম টেকেষ্ট্রেসু ফাখি। মহাক কুমজা ২০১৬ তগী ২০১৮ ফাওবা ফেন্দরেল গভর্ণমেন্টতা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখি।

হৌজিক দেব্রেটসিওন অমদি পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী অতৈ মেম্বরশিং অমসুং অৱাংবা থাক্কী হান্নগী মিলিটরি ওফিসর কয়া কদাইদা লৈবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। টিগ্রেদা হৌখিবা নবেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী চথুরকখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিং অমদি শোক্লরকখিবা লালশিংদা মীওই লীশিং কয়া শিরল্লগনি হায়না থাজনরি।

# কাজাখষ্টানগী রুলিং পার্টিনা ভোট চাদা ৭০ হেন্না ফংলেঃ অক্সিট পোল

নুর-সুল্টান, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা কাজাখষ্টানগী পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা লৈবাক অসিগী লৈঙাক পায়রিবা নুর ওটান পার্টিনা অপূনবা ভোটকী চাদা ৭১.৯৭ ফংলে হায়বসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা এক্সিট পোল অমনা উৎখ্রে।

পব্লিক ওপিনিয়ন রিসার্চ ইন্সটিট্যুটনা পাঙথোকখিবা পোল অদুগী মতুং ইন্না এক জোল দেমোক্রেটিক পার্টিনা ভোট চাদা ১০.১৮ ফংলে অমসুং পিপলস পার্টি ওফ কাজাখষ্টাননা ভোট চাদা ৯.০৩ ফংলে। চৈরকসিদা ঔয়ল পার্টি অমসুং অদল পার্টিদি পার্লিয়ামেন্ট চঙবা য়াবা খ্বাইদগী মশীং য়ামদবা সিট মশীং তরেৎ ফঙবা ঙমখিদ্রে।

নুর ওটান পার্টিনা মীখলদা চাওনা মায় পাক্লকখিবগীদমক্তা পার্টিগী চ্যেরমেন নুরসুল্টান নজর ৱায়েভনা কেম্পেইন হেদক্বার্টর্সতা চত্তুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। কাজাখষ্টানগী অহানবা প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নজরবায়েভনা হায়খি, লৈবাক অদুনা নীংতম্বা ফঙখিবা চহী ৩০ মপুং ফারকপগা চাননা মীখল অদু পাঙথোকপনি। নুর ওটান পার্টিনা কাজাখষ্টনিশিংবু চাওখৎপগী মহাও তঙহনগনি।



লৱার হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্ট নত্রগা মাজলিসকী সিট ৯৮ গী নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা পুন্না কেন্দিদেটট ৩১২ না কন্টেষ্ট তৌখি। মীখলগী ফাইনেল রিজল্টশিং জান্যুৱারী ১৭ ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোক্কনি।

কাজাখষ্টাননা কুমজা ২০২০ দা লেজিসলেসন ত্রমেন্দ তৌদুনা নুপীশিং অমসুং নহারোলশিংবু পোলিটিক্সতা শরুক য়াহন্নবা পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মখোয়গীদমক মজালিসতা কোটা চাদা ৩০ লৈহনখি।

কাজাখ পার্লিয়ামেন্টকী চেম্বর অনী লৈ। অমনা অপ্পর সিনেটনি অমসুং অতোপ্পদুনা লৱার মাজিলিসনি। লৱার হাউসকী দেপ্যুটি ১০৭ লৈ। মখোয়গী টর্ম চহী মঙানি। দেপ্যুটিশিং অদুগী মনুংদগী ৯৮ দি মীফম পাঙথোক্লগা হকথেংননা খল্লি। ৱাৎলিবা মাপলদুনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ইথনিক গ্রুপশিং রিপ্রজেন্ট তৌরিবা এদভাইজরি বোদি অমা ওইরিবা কাজখষ্টানগী এসেমব্লি ওফ পিপলসনা খল্লি।

# ফ্রাঞ্চনা য়ু কেগা লোন্নবা বোর্দর থিংজিন্নবা খন্নগদবনিঃ এপিদিমিওলোজিষ্ট

পেরিস, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
য়ু কেদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেনগী কেস য়াম্না লৈবা বৃটেন অমদি অতৈ লৈবাকশিংগা লোন্নরিবা বোর্দরশিং থিংজিন্নবা ফ্রাঞ্চনা খন্নগদবনি হায়না ফ্রেঞ্চ এপিদিমিওলোজিষ্ট অমসুং গভর্ণমেন্ট এদভাইজর অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৌনগনবা অনৌবা ষ্ট্রেনগী ইনফেক্সন ৱাংবা য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং আইরলেন্দগা লোন্নবা বোর্দরশিং থিংজিনগদ্রা হায়বসি খন্নবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না কোভিদ ১৯ পোলিসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টদা পাউতাক পীরিবা সাইন্টিফিক কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা অর্নাউদ ফেন্টোনেটননা বি এস এফ টেলিভিজনদা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি সাইন্টিফিক কাউন্সিলনা লেপকদবা এজেন্দাগী পোইন্ট নত্তে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনৌবা কোরোনা ভাইরস ভেরিয়ন্ট অদু ফ্রাঞ্চকী মেদিটরিনিয়ন হিথাংফম মার্সিলি অমসুং অল্পসতা থেংনরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। ফোন্টনেটনা হায়খি মদুদি অনৌবা কোভিদ ভেরিয়ন্ট অদু কোরোনা ভাইরস লায়চৎ মনুংদা থোক্লকপা অনৌবা লায়চৎনি। অনৌবা ভেরিয়ন্ট লৌনগনবগী চাং ৱাংই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মদুনা মী শিহনবগী চাং ৱাংই হায়বগী খুদম চাংদমদি ফঙদ্রি।

লায়চৎ লাকশিন্নবা ফ্রাঞ্চনা মার্চ লোয়বা ফাওবদা মীওই মিল্লিয়ন ১০ দগী ১৫ ফাওবা অমসুং জুন লোইবা ফাওবমদা মীওই মিল্লিয়ন ২৫ দগী ৩০ ফাওবা ভেক্সিন কাপথোকপা মথৌ তাই হায়নসু ফোন্টানেটনা ফোঙদোকখি।

# মিদল ইষ্টকী পিছকী মতাংদা ইজিপকী প্রসিদেন্টনা জোর্দান অমদি পালেষ্টাইনগী ফাইনান্স মিনিষ্টরশিংগা খন্নখ্রে

কাইরো, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
মিদল ইষ্টকী পিছ প্রোসেস মখা চথবগী মতাংদা ইজিপকী প্রসিদেন্ট অব্দেল-ফাত্তাহ অল-সিসিনা জোর্দান অমসুং পালেষ্টাইনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগা খন্ন নৈনখ্রে।

ইজিপ্টনা পালেষ্টিনিয়নশিংগী ইশ্যু লৈখাই তানবা চোকথবা লৈতনা মখা তানা হোৎনখিবনি হায়না সিসিনা থাংজ নুমিত্তা কেপিটেল কাইরোদা জোর্দান অমসুং পালেষ্টাইনগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগা উনবদা নৌহৌননা ফোঙদোকখ্রে হায়না প্রসিদেন্টগী স্পোক্সমেন বাসাম রাদিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মিদল ইষ্টতা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনবদা থবক হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা পালেষ্টিনিয়নশিং শন্দাইনবগী থবক্কা ইরোয়ননা পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী পিছ নিগোসিএসনদা ইনোৎ হাপ্পবা অরব লৈবাকশিং অমসুং মালেমগাা খূৎশম্ননা হোৎনমিন্নবা চংই হায়নসু সিসিনা ফোঙদোকখি। ইজিপনা পালেষ্টিনিয়নশিংগী ইশ্যু লৈখায় তাথোক্তুনা নীং তম্বা পালেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা শেম্বা য়ানবা হনবা লৈতনা হোৎনরিবদু জোর্দান অমসুং পলেষ্টাইনগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেটশিং অদুনা থাগৎখি।



মদুগী মমাং থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ইজিপকী ফোরেন মিনিষ্টর সামেহ সৌক্রি অমসুং জোর্দান অমদি পালেষ্টাইনগী মহাক্কী লেংমান্নবশিং অমান সাফাদি অমসুং রিয়াদ অলমালিকিগা কাইরোদা উনখি। মখোয়না মিদল ইষ্টকী পিছ প্রোসেস হিঙ্গৎহন্নবগী অমসুং পালেষ্টিনিয়ন অমদি ইজরেলিশিংগী নিগোসিএসন মখা চথনবগী মেথদশিং খন্নখি।

কুমজা ১৯৬৭ কী বোর্দরশিং চৎনহন্দুনা ইষ্ট জোরুসালেমনা কেপিটেল ওইবা নীং তম্বা পালেষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা লিংখৎপা য়াওনা য়ু এননা প্রপোজ তৌখিবা ষ্টেট অনী লৈহনবগী সোল্যুসনদা য়ুম্ফম ওইবা সেষ্টলমেন্ট অমা লাকহন্নবগী পান্দমদা ৱারী মখা চথনবা ইজরেলদা তকশিনবা মথৌ তাই হায়না মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোক্লখি।

য়ু এসনা শিন লাংদুনা থা মাপল চুপ্না ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী নিগোসিএসন কুমজা ২০১৪ গী মার্চতগী লেপ্পকখিবনি।

# য়ু এ ঈদা পন্দুনা লৈরম্বা ইন্দিয়নশিং সাউদি অরাবিয়াদা বসতা পুখ্রে



দুবাই, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
সাউদি অরবিয়া অমসুং কুৱেট য়ৌগদবা খোঙচৎ অমদা এয়রপোর্টশিং থিংজিনখিবদগী য়ুনাইটেদ অরব এমিরেটসতা পন্দুনা লৈরকখিবা ইন্দিয়ন এক্সপার্ট কয়া মখোয়গীদমক শিন লাংবা মফমশিংদা থল্লগা বসতা রিয়াধ পাংহনখ্রে।

সাউদি অরবিয়া অমসুং কুৱেটতা থবক তৌবা ইন্দিয়া মচা ৬০০ লোম কম্যুনিটি গ্রুপ অনীনা য়ু এ ঈদগী দেজি গনেটেদ মফমশিংদা লৈহনখি। মখোয় হৌখিবা থাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীদা খঙহৌদনা এয়রপোর্টশিং থিংজিনখিবদগী লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈখিবনি।

য়ামদ্রবদা ইন্দিয়া মচা ৩৫০ য়ু এ ঈ কেরেলা সুপ্রিম কলচরেল সেন্তর (কে এম সী সী) না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ প্রিভেন্সনগী মখাদা অজমানদা চলাইবা বিল্ডিং অমদা লৈহনখি। দুবাই মার্কাজ সেন্টরগী ইন্দিয়ান কলচরেল ফাউন্দেসন (আই সী এফ) গী ভোলুন্টিয়রশিংনা কন্সত্রক্সন ফার্ম আসা গ্রুপকা খূৎশম্নদুনা অতোপ্পা ইন্দিয়ন এক্সপার্ট ২৫০ রোম দুবাই ইনভেষ্টমেন্ট পার্ককী ৱার্করশিংগী লৈফমদা থমখি।

অয়াম্বনা শিনমীশিং ওইনা ইন্দিয়নশিং অদু এয়রপোর্টতশিং অমুক হন্না হাংনরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা মখোয়না লৈরিবা লৈবাকশিংদা অমুক পায়বা হৌনখি।

অদুম ওইনমক প্লেন অতোংমন ৱাংমনবদগী অতাবা মমল থিরিঙৈদা মীওই কয়া মতম চানা পায়বা ঙমদবদগী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈখি। মখোয়বু সাউদি অরবিয়াদা পুনবগীদমক্তা কম্যুনিটি গ্রুপশিংনা বসশিং লাংখিবনি। য়ু এ ঈ কে এম সী সী নেস্নেল কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট পুন্নর রাহমননা হায় হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৪ ফ্রীদা বস তোংহন্দুনা রিয়াধতা পুখ্রে। ঙসিসু মীওই ২৯ বসতা চৎখ্রবনি। পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন এক্সপার্টশিং পুগদবা অরোইবা বস অদু জন্যুৱারী ১২ গী মনুংদা রিয়াধ পাংগনি।

আই সী এফকী ভোলন্টিয়র কেপ্টেন লুক্কমান মঙ্গাদগী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলদা পেসেঞ্জর ৭০ বস অহুমদা থাখ্রে। ফ্লাইটতা কুৱেট য়ৌনিংবা মীওই খরা নত্তনা পেসেঞ্জর খুদিংমক বস তোংলগা চৎনখ্রে। থবক অদুদা মতেং ওইনবা দুবাইদা লৈবা ইন্দিয়ন কোন্সুলেটনা কে এম সী সীদা দিরহাম ৩০,০০০ পীখি।

# ইজরেলগী ওজাশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

টেল অভিভ, জন্যুৱারী ১১ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা লৈবাক অসিগী ওজা অমসুং এদ্যুকেস্নেল ৱার্কর পূম্নমক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্লবগী কেম্পেইন অমা লৈবাক শিনথুংনা হৌরে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, ইজরেলি এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা ইমপ্লোয়ী ২০৩,০০০ লৈ। লোকদাউন লৈতবা মহৌশাগী ওইবা নুমিৎ অমদা ইপ্লোয়ীশিং অসিনা মহৈরোয় মিল্লিয়ন ২.৪ হেন্না কন্টেক্ট তৌনৈ। মিনিষ্ট্রি অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা মতুং ইন্না, ভেক্সিনেসনগী অহানবা তাঙ্কক অদু লৈবাক অসিদা লোকদাউন মপুং ফানা চৎনহল্লবসু মহৌশাগুম্না থবক তৌরিবা ওজাশিংদা মিৎয়েং থমগনি।

অতৈ ওজাশিংগী অমসুং সেক্রেটরিশিং জেনিটরশিংগুম্বা ষ্টাফ মেম্বরশিং অমদি কন্সল্টেন্টশিংদি কোন্না লৈবাক অসিগী মেদিকেল সেন্টরশিংদা ভেক্সিন কাপকনি। পাউগী ৱেবসাইট ৱাই নেটকী রিপোর্টনা হায়, মিনিষ্ট্রি অসিগী তার্গেটতি ইরাই নুমিৎ ফাওবগী ভেক্সিনেসনগী কেম্পেইন মপুং ফানা লোইশিনবনি। ইজরেলনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ২০ দা হৌখি। হৌজিক ফাওবদা চহী ৬০ অমসুং মথক ওইবা মীওইশিংগী চাদা ৭২ রোম ভেক্সিন কাপ্লে।

প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু থাংজ নুমিত্তা টেল অভিতা লৈবা সেবা মেদিকেল সেন্তরদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপখি। মহাক চয়োল অহুমগী মমাংদা অহানবা দোজ কাপখ্রবনি।